**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-08-2025)**

**সোলিড (এল) ঃ** ইনোভেটিব সোলুসন্স ফোর এ সসটেনেবল ফ্যুচর হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী সোলিড ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা সেমিনার অমা ঙসিদগী ইম্ফাল ইম্ফাকা পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জতা হৌখ্রে।

দা ইন্সটিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়ারস মনিপুর ষ্টেট সেন্টরনা দিপার্টমেন্ট ওফ মহুদ অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহনা হায়-সহর শেমগৎপা অমসুং চাউখৎপগী মিংদা রাজ্য অসিদা লৈরম্বা মীয়ামগী লম কয়া লন্বী শেম্বা, ইরম-নালা শেম্বা অমদি য়ুম শাবগী মিংদা লম খোপচিল্লকপদগী হৌখিবা চহি ৩০-৪০ রোম অসিদা রাজ্য অসিদা চাউনা অহোংবা অমা লাক্লে। মহাকা হায়-ইং ১৯৭০ গী মতম অদুৱাইদা মনিপুর অসি খ্বাইদগী লু-নানবা তমজনিংঙাই ওইবা সহর অমা ওইরম্মী। অদুমওইনমক, মনিপুরনা ষ্টেটহুড ফংখ্রবা মতুংদা চাউনা অহোংবা লাকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়-হৌজিক্কী মীরোলনা রাজ্য অসিগী ষ্টেট ট্রি ওইরিবা উনিংথৌ মশক খঙলক্ত্রে। মরম অদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা উ পাম্বী মখল অসি থাবগী তঙাইফদবা লাক্লে। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংনা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক শিজিন্নদবগী খোঙজং চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-পোরোম্পাৎতা লৈরিবা ইনভাইরোনমেন্টকী দাইরেক্টোরেট অসি অথুবা মতমদা গ্রীন বিল্ডিং ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। ডা: ব্রজাকুমারনা

হায়-তুংগী মীরোলশিংগী য়েংলগা মমা-মপা ওইবশিংনা অচৌবা দায়ত্ব লৌদুনা ঐখোয়না লৈরিবা মালেম-পৃথিবী অসিবু মীওইবা জাতিনা নুংঙাইনা লৈবা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নরসি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ক্লাইমেট চেঞ্জ এদাপটেসন ষ্ট্রেটেজিস-এ কেস ষ্টদি ওফ বিষ্ণুপুর-মনিপুর হায়বসিগী মতাংদা ৱার্কশোপ অমসুং খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মনিত ভোপাল, আই.আই.টি. রুরকি, জে.এন.য়ু-ন্যু দিল্লি, রিকা ইন্দিয়া, সাইন্স হফ (নেপাল) অমসুং য়ুনিভরসিতি ওফ কোলোম্বোনা এসিয়া পেসিফিক নেটৱার্ক ফোর গ্লোবেল চেঞ্জ রিছার্সনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা বিষ্ণুপুর জিলাবু থিজিনবগী মফম অমা ওইনা খনগৎপগীদমক রিছার্স টিম অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা, জিলা অসিনা অইং আশাগী খল হোংলকপদগী মায়োকরিবশিং, ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা চৈথেং, চীং নিংখায়বা অমদি ইকং থোকপগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবশিং পাউদমখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্টিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা চান্দেলগী পনচাইদা লৈবা মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী কম্মুনিতি হোলদা 'মনিপুরদা শওম কনবা' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা খুলগী খুল্লাকপা ৫২ না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনাল মীতৈনা হায়-মালেমদা শওম মখল ৮ ফংবগী মনুংদা মনিপুরদা শওম মখল অহুম-

হিমালায়ন ব্লেক বিয়ার, স্লোস্থ বিয়ার অমসুং মালায়ন সনদিয়ার হায়বা মখল অহুম অসি ফংই। হায়রিবা শওম মখলশিং অসি মতম অমদা মরাং কায়না ফংল্লল্লবসু ঙসিদি উমং কোকথোরকপা, মখোয়বু চিঞ্জাক্কীদমক হাৎপা, মওন অমসুং মশিঙ্ঘাগীদমক হাৎপদগী হিমালায়ন ব্লেক বিয়ার অসি সেদ্যুল ৱানদা চনবা শা মখল অমা ওইরক্লি। ডা: মুনালনা হায়-খুলগী খুল্লাকপশিংনা শা মখল অসি কন্নবা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়খি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি সি.এম.আই.এস. ইমপ্লোয়ি কোনর হায়না মিংথোনবা ৱেব-মোবাহল এপ্লিকেসন অমা হৌদোকখ্রে। মসিগী মথক্তা রাজ্যপালনা দাইরেক্তোরেট ওফ মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী ওফিসিএল ৱেব সাইট অমসু হৌদোকখি।

রাজ ভবন ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিনচিংবা শরুক য়াখি। ইমপ্লোয়ি কোনর অসি অনৌবা দিজিটেল সার্ভিসনি। মসিনা রাজ্য অসিগী সরকারগী কর্ম্মচারিশিং মখোয়গী পে স্লিপ, চহিগী ওইবা সেলারি ষ্টেটমেন্ট, সার্ভিস হিষ্ট্রি অমদি মশাগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং সেন্ট্রেল মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী খুত্থাংদা য়েংবা য়ারগনি। এপ্লিকেসন অসি সি.এম.আই.এস. ইমপ্লোয়ি কোনর হায়বা মোবাইল এপ অসিদগীসু য়েংবা য়াগনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী নৌনা হাংদোক্লিবা ওফিসিএল ৱেবসাইট অসিনা দাইরেক্তোরেট অসিগী পাউশিং খঙবা ঙল্লগনি।

**ইবোবী (এল) ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রিশাং কৈশিংগী ৯ লক শুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট, সি.এল.পি. লুচিংবা অমদি দলগী কর্মিশিংনা লৈখিদ্রবা হান্নগা মুখ্য মন্ত্রি অসিগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পি. লুচিংবা-ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়-রিশাং কৈশিংনা হিংলিঙৈ মতমদা মনিপুরগীদমক তৌরম্বা থবকশিংবু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। মনিপুরগী অপুনবা ঙাক নবা হোৎনবদা মহাকা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী।

থৌরম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র, কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মেম্বর-শ্রী গাইখাঙম অমদি দলগী কর্মিশিং শরুক য়াখি।

**কোবিদ (এল) ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই মঙা কোবিদ নাইন্তিনগী টেষ্ট তৌখি। রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিব কেস অমা লৈরি। চহি অসিগী জন্ অমদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৬৪৮ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৩৬২ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৩৩ দি হোম আইসোলেসন কেস ঙাক্তনি। হৌজিক এক্তিব কেস ওইনা লৈরিবা অসিসু হোম আইসোলেসনগী কেসনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৬১ নাবা ফাদুনা দিচার্জ তৌখ্রে।

**হেপ্পাতাইতিস (এল) ঃ** হেপাতাইতিস-লেট অজ ব্রেক ইট দাউন্দ হায়বা হীরমদা ৱার্ল্ড হেপাতাইটিস ডে ২০২৫ ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-লাঙ্গোল তরুংদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল ভাইরেল হেপ্পাতাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি-ইম্ফাল ৱেষ্টনা অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-লাঙ্গোল তরুংগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ দয়াবতি অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যারগী ওফিসার য়ুমাম কেশ্বরজিৎ, এন.ভি.ঐচ.সি.পিগী

দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিইার রানাকুমারি চনু অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

**উখ্রুল (এল) ঃ** প্রাইমারি ওজাশিংবু অনৌবা এদুকেসন পোলিসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ওন কম্পিটেন্সি বেজ এসেসমেন্ট এন্দ য়ুজ ওফ হোলেষ্টিক প্রোগ্রেস কার্ড ফোর ফাউন্দেস্নেল ষ্টেজ এন্দ প্রিপেরেটোরি ষ্টেজ হায়বা থৌরম অমা ঙসি উখ্রুলগী টি.টি.এ. হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সমগ্রা শিক্ষা-জে.ই.ও. ওফিস-উখ্রুলনা শিনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পুন্না প্রাইমারি ওজা ৩২০ লোমা শরুক য়াখি।

**নোংঃ** মনিপুরগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

পাউ অসিনা হায়-উখ্রুল অমসং কামজোংগী মফম খরদা অখাক অরাওগা লোয়ননা হয়েং নোং কন্না চুগনি। জিরিবাম অমসুং নোনে জিলাদনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা নোং চুখিবগী চাং অসি মিলিমিটর ৬২.৮ নি। বিষ্ণুপুর জিলাদনা মিলিমিটর ১৬.৪ গী চাংদা নোং চুখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী ঙাকশেলগী লাল্লোংদা

ওপরেসন সিন্ধুরনা অনৌবা লৈই অমা চিংলে। মহাকা হায়-ভারত্তা টেরোরিষ্টশিং থাজিনবা নৎত্রগা লৈবাক অসিবু এটেক তৌনবা হোৎনবশিং হৌজিক্তি নাম্হোকপা ঙম্লরোই।

শ্রী মোদিনা হায়-পৃথিবীগী লোৎনিংবা মফম অমদা লোৎতুনা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং ভারতকী মীসাইলনা মখোয়শিং অদুবু মফম অদুদা মাঙ-তাকহনগনি।

বিহারগী গয়াদা লুপা কোতি লিশিং ১২ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবা অমসুং উরেপ উযুং তম্বগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপগী মশিং য়ামখৎলক্লিবা অসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি। বিহারগী ঙমখৈ জিলাশিংগী লমগী মওং মতৌশিং অওনবা অমা লাক্লি। মরম অদুনা, সরকারনা লৈবাক অসিগী তুংগী ফিরেপ নারোন্দগী চংল্লকপা মীওইশিংনা লেপ্তুনা হোৎনগনি। মহাকা হায়-নারোন্দদগী চংল্লকপা মাওইশিংনা নহাশিংনা ফংফম থোকপা থবকশিং কৈদৌনুংদসু মুনবা য়ারোই।

শ্রী মোদিনা হায়-বিহারবু খোংজেল য়াংনা চাউখৎহনবা হায়বসি কেন্দ্রদা পাল্লিবা এন.দি.এ. সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। ঙসি হৌদোক্লিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অসিনা বিহারগী কোল-করখানাশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা নহাশিংদা থবক পীবগী খুদোংচাবা অমা ফংহল্লগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিগী লাইরবা ইমুং কোতি মরি হেনবরোমদা মখোয়না লৈনবা য়ুম শাবীখ্রে। মসিগী মনুংদা বিহারদা য়ুম লাখ ৩৮ শারে। অমৃত ভারত ষ্টেসন স্কিমগী মখাদা গয়া রেলবে ষ্টেসন অসি মতমগা চুন্ননা শেমগৎপগা লোয়ননা ষ্টেসন অসিদা ইয়ারপোর্টশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবা অদু ফংহল্লগনি।

**গঞ্জাঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্সনা লুপা কোতি ৭২ রোমগী মমল ওইগদবা হাইড্রো ফোনিক ৱিদ ফারে। কিলোগ্রাম ৭২ রোমগী ঈশিংদা থাবা গঞ্জা মখল অসি ৱিদ আউট হায়বা পান ইন্দিয়া ওপরেসন অমগী মখাদা ফাগৎখিবনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্সকী ওফিসারশিংনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বেঙ্গলুরু অমসুং ভোপাল রেলৱে ষ্টেসনশিংদা মতম অমত্তদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা ফাগৎখিবনি। থৌদোক অদুদা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই মঙা ফাবগা লোয়ননা এন.দি.পি.এস. এক্টকী মখাদা ফাবনি।

**মিজোরামঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মথং থাগী ১৩ দা মিজোরামদা লাক্কুনা কিলোমিটর ৫১.৩৮ শাংবা বাইরাবি-সাইরাং রেলৱে লাইন অমসুং সাইরাং-রেলৱে ষ্টেসন শঙ্গারগনি।

আইজোলদা ঙসি ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমানা হায়-আইজোল অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা রেলগা শমবা মরিশুবা রাজ্যগী কোনুং ওইরে। মিজোরাম পুলিস সার্ভিস এসোসিয়েসনগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা লালদু হোমানা হায়-শ্রী মোদি, মথং থাগা ১২ দা আইজোল থুংলরগনি। রাজ্য অসিদা নোংমা অহিং লেক্লবা মতুং সাইরাং রেলৱে ষ্টেসন অমসুং রেলৱে লাইন অসি শঙ্গাগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজনা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি ৮,২১৫ চংনা পায়খৎপনি। কিলোমিটর ৫১.৩৮ শাংবা রেল লম্বী অসিদা তনেল ৪৮, মরুওইবা থোং ৫৫ অমদি থোং মচা ৮৭ লৈগনি। তনেলশিং অসিগী অশাংবনা পুন্না মিটর লিশিং ১২,৮৫৩ রোমনি।

**দুরানঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ফাইনেল হয়েং শান্নরগনি।

কোলকাতাগী বিবেকানন্দা য়ুব ভারত্তি ক্রিরঙ্গন ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবকা দাইমন্দ হারবর

ফুটবোল ক্লবকা শান্নরগনি।

সেমি ফাইনেলদা দাইমন্দ হারবর ফুটবোল ক্লবনা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গোলবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংল্লকখিনি।

**ফুটবোলঃ** অসামগী জোরহাটতা চথরিবা সব জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী মেটচ অমদা ঙসি মনিপুরগী নুপীমচা টিমনা অসামবু পাঞ্চল ২-১ দা থোইখি।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদ্ থৌদাম মালেমঙানবী দেবী অমসুং এ. খেংতামৈনা চনখিবনি। মনিপুরগী মথংগী মেটচ হয়েং তামিল নাদুগা শান্নগনি।

**তমেংলোংঃ** তমেংলোং ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- দাইলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসননা দুইথানলুৱাং ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

**বোদিঃ** থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৫৭ শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা মনিপুরগী শান্নারোই মঙা শরুক য়ারি।